HUEIYEN LANPAO

# মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কু দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, লক্ষ্য সেনসু সিঙ্গলসকী ক্বার্টর চঙখ্রে



জকরটা , জুলাই ১৯(এজেন্সী)ঃ ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্লু ওইদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং জকরটাদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা খ্বায়রাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিমক্তদা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেনসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী খ্বায়রাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৭শুবা সীদেদ পেয়র থাইলেন্দগী থানারিন মাদি অমসুং ৰাচিৰারৎপু য়াম্না কন্না লম্বা থেংনরবা মতুং ২৪-২২, ১৬-২১, ২১-১৭তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মেচ অদুগী অহৌবা গেম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুদগী থাইলেন্দগী পেয়র অদুনা রেঙ্কিংদা য়াম্না হেন্দুনা লৈখি। ইন্দিয়াগী পেয়র অদু রেঙ্কিং ফংদনা শরুক য়ারকপনি।

অহানবা গেম অদু য়াম্না নক্কনা শান্নরক্লবা মতুং ২৪-২২দা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা থোইখি। অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুবু থাইলেন্দগী পেয়র অদুনা ২১-১৬তা থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেম অদুদা অমুক হন্না নাকল অনীমক্তগী অকনবা লম্বা চথনরকখি। মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুনা পোইন্ট খর ঙন্না হেনবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা ২১-১৭তা থোইদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। হয়েং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌননবা মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বর ৰান সীদেদ ওইরিবা চাইনাগী দি জিজিয়ান অমসুং ৰাং চাঙদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুনা হোং কোংগী পেয়র কো সিঙ হৈ অমসুং মাক পাক ঙাইবু স্ট্রেট গেম অনীদা ইকোম কোন্না ২১-১৪, ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

কাংলুপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র বিষ্ণু বরধান পঞ্জালা অমসুং শ্রিকৃষ্ণা সাই কুমার পোদিলবু অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী অপিচাসিৎ টেরাৰিৰাৎ অমসুং কুনলাভুৎ ভিটিদসারনগী মখুত্তা ১৯-২১, ১৫-২১দা মায়থীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র সাই রোহিৎ বোম্বোজি অমসুং অকাস চন্দ্রন অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী বৈ চুন বৈ অমসুং রু গুৱান জুনগী মখুত্তা ১৪-২১, ১৫-২১দা মায়থীহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ৬শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ১১শুবা সীদেদ শান্নরোয় থাইলেন্দগী সারন জামস্রিবু স্ট্রেট সেট অনীদা ২১-১৫, ২১-১৬তা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক লক্ষ্য সেননা হয়েং ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ২শুবা সীদেদ ওইরিবা লি সীফেঙগা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াই লি সীফেঙনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় য়াঙ য়াঙবু ২১-১০, ২১-১৭তা মায়থীবা পীরম্লনি।

পনবা য়াই সিঙ্গলসকী কাংলুপ অসিগা ঙসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অনীসু প্রি-ক্বার্ট ফাইনেল মেচ শান্নখি। ইন্দিয়াগী প্রিয়াংসু রজাৱৎ মলেসিয়াগী শান্নরোয় চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ১৫শুবা সীদেদ ওইরিবা মলেসিয়াগী জি য়োং ঙাগী মখুত্তা ১৫-২১, ১৪-২১দা মায়থীহৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ১৬শুবা সীদেদ শান্নরোয় কিরন জোর্জনি। মহাক্না ঙসি প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় অলবর্টো অলবিন য়ুলিয়ান্টাগী মখুত্তা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ১৯, ২১, ১৯-২১দা মায়থীহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কবিপ্রিয়া সেলভাম ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেচতা অমদা ৪শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী চাইনাগী য়াজিন ৰৈগী মখুত্তা ১৯-২১, ৮-২১দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা অদু মাঙজখি।

##### ইবেমহল মেমোরিএল ইনভাইটেসন লীগ কম নোকআউট প্রাইজ মনি নুপীখুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুর অমসুং সনামহি কাংখুৎ কছার সেমি ফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা থেংনরগনি




ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস) ঃ ওল হাইলাকান্দি ডিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন অমসুং বির টিকেন্দ্রজিৎ স্পোর্টস এন্দ কলচর ওর্গনাইজেসন (বি টিএস সী ওক্লব), ললাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা ইবেমহল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন লীগ কম নোকআউট প্রাইজ মনি নুপীখুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচশিংদা সনামহি কাংখুৎ কছার অমসুং ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুর মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা থেংগাইনরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ইবেমহল মেমোরিএল ইনভাইটেসন লীগ কম নোকআউট প্রাইজ মনি নুপীখুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক অহানবা গ্রাউন্দদা সনামহি কাংখুৎ কছার অমসুং এল কে কে ললা শান্নখি। মেচ অদু কাংখুৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাং কাপ্পখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা সনা কাংখুৎ কছারনা এল কে কে হাইলাকান্দিবু ১৭-১০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুর অমসুং নোংদোন লাইরেম্বী হাইলাকান্দি শান্নখি। ফাইনেল চঙনবগীদমক কাংখুৎ অনীগী মায়কৈদগী ফজনা কাং কাপ্পখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুরনা নোংদোন লাইরেম্বী হাইলাকান্দিবু পাঞ্জল ২৬-১২ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখি।

ইবেমহল মেমোরিএল ইনভাইটেসন লীগ কম নোকআউট প্রাইজ মনি নুপীখুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ফাইনেল মেচ ওইনা লাক্লিবা জুলাই ২১ গী নুংথিলদা ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুর অমসুং সনামহি কাংখুৎ কছার থেংগাইনরগনি হায়না ওল হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি থাংজম হিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী ২০ শুবা মেচ ওইনা ঙরাং অয়ুক সনামহি কাংখুৎ কছার অমসুং সিলহেট কাংখুৎ বাংলাদেশ শান্নখিবা মেচ অদু সনামহি কাংখুৎ কছারনা সিলহেট কাংখুৎ বাংলাদেশপু পাঞ্জল ১৩-৭ তা মায়থীবা পীরম্লগা সনামহি কাংখুৎ কছার সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী ২১ শুবা মেচ ওইনা ঙরাং নুংথিল অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুর অমসুং জিরিবাম মণিপুর শান্নখিবা মেচ অদু ইম্ফাল কাংখুৎ মণিপুরনা জিরিবাম কাংখুৎপু মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপা ঙমখিবনি।

# মেচ ৩ গী সেরিজকী অহৌবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমনা ন্যু জিলেন্দগী টিমবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে



বেঙ্গালুরু, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী নুপাগী হোকি টিমনা ইন্দিয়াদা হোকি মেচ ৩গী সেরিজকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অমদা য়ুম্লু ওইখিবা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়াগী কর্নাটকা স্টেটকী কোনুং বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কেম্পসতা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা হৌবদগী ন্যু জিলেন্দবু খুদুম চন্না শান্নবা হৌখি। শান্নবগী অনীশুবা মিনিটতা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদা ইন্দিয়ানা চথুখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু রুপিন্দর পাল সিংহনা য়াম্না শাফু কন্না নেম্না য়ৈশিনখিবনা ন্যু জিলেন্দগী গোলকিপ্পর রিচার্দ জোইসেবু মায়থীবা পীরগা ১-০ দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দনা ইক্বেলাইজর অদু য়াম্না থুনা ফংলম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি। তরেৎশুবা মিনিটতা টিম অদুনা য়ৈশিল্লকখিবা সোট অমা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর কৃষন পাথকনা গোল অদু নীংথিনা ঙাক-শেনখিদুনা পাঞ্জল চলহনখিদে। শান্নবগী অহানবা ক্বার্টর অদুগী অরোইবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা পুশিনখিবা এটেক অমদা মনপ্রিট সিংহনা খাইদোরকপা ক্রোস অমা টিম মেট মন্দিপ সিংহনা ন্যু জিলেন্দগী গোলকিপ্পর অদু মায়থীবা পীরগা য়াম্না ফজনা থকচিলহন্দুনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী অকনবা দিফেন্স মশান্না উৎলকখি। ২২ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওইহৌদবদগী স্কোর বোর্দ অদুদা ৩-০ লৈরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি। শান্নবগী ২৬ শুবা মিনিটতা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী পুখৎলকপা এটেক অমদা স্টেফেন জিনেসনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা শোথখিবা পাঞ্জল ২ গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

হাফ মতুংদা ওস্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিদবা রুপিন্দর পাল সিংহনা টিম অদুনা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা অমুক্কসু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনিটতা ওইখি।

মেচ অদুগী ৩৮ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা চথরকপা এটেক অমদা এস পি সুনিলনা পীরকপা পাস অমা টিম মেট হারমনপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ন্যু জিলেন্দবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৪-১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী মরিশুবা ক্বার্টরদা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুবু তোয়না নমখায়দুনা বোল পুশিনবা ঙমখি। মদুগী মতেংনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা স্টেফেন জেনেসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অদুগী পাঞ্জল ২ শুহল্লবসু মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৪-২ দা থোইখি। থা অসিগী ২১ দা টিম অনীনা মেচ অহুমগী সেরিজ অসিগী অনীশুবা মেচ শান্নগনি।

# ব্রিক্স ফুটবোলদা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৭ কী নুপীগী টিম রসিয়ানা ৩-১ দা থোইখ্রে



জোহনেসবর্গ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ ব্রাজিল, রশিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকা (ব্রিক্স) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম রশিয়ানা পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

লৈবাক মঙা অসিনা পুন্দুনা হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্লু ওইরগা সম্মিট পাঙথোকখিবনি। সম্মিট অদুগা মরী লৈননা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসু শীনখি। ন্যু দিল্লিনা য়ুম্লু ওইদুনা অহানবা ব্রিক্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা ব্রাজিলনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্লু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি জোহনেসবর্গতা লৈবা বিদভেষ্ট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেচ অদুদা রশিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখিবনি। ঙসি মেচ অসিগী মাংওইননা ঙরাং ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা য়ুম্লু সাউথ অফ্রিকাগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৫ দা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি আর্চনা, ইভা পনা, সমিক্সা, মণিপুরদগী পাকপী অমসুং বেবিসনা, বনয়া কবিরাজ, মনিসা, সৌমিয়া গুগুলোথ (কেপ্টেন), বানলালরিয়াতিরি, পবিত্রা মুর্গেসন অমসুং গ্রেস লালরামপারিনি।

অহৌবা নুমিৎকী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদা লম্বা নীংথিনা তৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর আর্চনা অরুমুগমনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইদনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ২৫ শুবা মিনিটতা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মিনিট ১৫ লৈরগা বানলালরিয়াতিরি ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা গোল ১-১ দা লৈখি। সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা অহেনবা মশান্না উৎলক্তুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখায়বা হৌরকখি। টিম অদুনা শুপ্পগী মিনিট ২০ গী মনুংদা পাঞ্জল ৪ থংন-থংননা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ঙরাং পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থীবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদসু ইন্দিয়া রশিয়াগী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থীখিবনি। ব্রাজিলগা হয়েং ইন্দিয়াগা শান্নগনি অদুগা থা অসিগী ২২ দা চাইনাগা থেংনগনি।

## য়ু পিগী ওফিসল সস্পেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না উত্তর প্রদেশ ক্রিকেট এসোসিএসনগী ওফিসল অমা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা সস্পেন্দ তৌখ্রে। উত্তর প্রদেশ ক্রিকেট এসোসিএসনগী একজিক্যুটিভ এসিস্টেন্ট অক্রম সাইফি অমসুং ক্রিকেট শান্নরোয় রাহুল শর্ম্মা অনীনা ফোনদা মহাকপু উত্তর প্রদেশকী টিমদা য়াওহনবীনবা শর্ম্মদা শেল পীগে হায়বগী ফোনগী ৰারোল উৎলকপদগী বি সী সী আইনা অক্রম সাইফিবু সস্পেন্দ তৌখিবনি। উত্তর প্রদেশ ক্রিকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি রাজিব সুক্লানা বি সী সী আইনা লৌখৎলল্লিবা খোঙথাং অদুগী মতাংদা ৰারোল অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। বি সী সী আইগী এক্টিং প্রসিদেন্ট সী কে খন্না অমসুং কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরগী চেয়রমেনগা টেলিফোন কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা অক্রম সাইফিগী মথক্ত শেঞ্জা-থুমজাগী মতাংদা মরাল শীরদুনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌখিবনি। অক্রম সাইফি অমসুং শান্নরোয় রাহুল শর্ম্মনা টেলিফোনদা ৰারী শানখিবা ওদিও টেপ অদু হিন্দিগী পাউ চেন্নেল অমদা ফোংদোরকপনি। হায়রিবা টেপ অদু বি সী সী আইনা কোপি লৌদুনা য়েংশিল্লবা মতুং সাইফিবু সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়রি।

# জুনিয়র ৱিমেন্স হোকিদা ইন্দিয়া অমসুং কনাদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



এন্টরেপ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ বেলজিয়মগী সিটি এন্টরেপতা চথরিবা চহী ২৩ মখাগী নুপীগী লৈবাক ৬ না শরুক য়ারিবা হোকি টুর্নামেন্টতা ঙরাং ইন্দিয়া অমসুং কনাদাগী টিম পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

প্রিতি দুবেনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোকি টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা লাক্লি। রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহৌবদা ইন্দিয়ানা আইরলেন্দবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবনি। অনীশুবা মেচতনা গ্রেট বৃটেনগী টিমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইরগা অহুমশুবা মেচ অদুদা য়ুম্লু ওইখিবা বেলজিয়মগী টিমবু পাঞ্জল ২-০ দা মায় পাক্তুনা মেচ অহুম শান্নবদা অহুম্নক থোইরগা লাকখি।

ঙরাং শান্নখিবা মরিশুবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী নুপীগী জুনিয়র হোকি টিম অদুনা কনাদাগী মায়কৈদা এটেক কয়া পুশিন্দুনা পেনালটি কোর্নর কয়াসু ফংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরশিং অদু কনাদাগী দিফেন্দর অমদি গোলকিপ্পর অদুনা ফজবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

কনাদাগী মায়কৈদগীসু ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পুশিনখিবা পেনালটি কোর্নর অহুম পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মখোয়সু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অমদি গোলকিপ্পরগী ফজবা মশান্না অদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবনি। মিনিট ১৫ না শাবা ক্বার্টর মরিগী হোকি মেচ অদু লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি। হয়েং ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসকা লম্বা তৌনগনি।

মফম অসিমক্তদা নুপাগী জুনিয়রগীসু লৈবাক মঙানা শরুক য়ারগা কম্পিটিসন পাঙথোক্লি। ইন্দিয়াগী টিম ঙরাং বেলজিয়মগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। হয়েং টিম অসিনা নেদরলেন্দসকা অরোইবা মেচ শান্নগনি।

## জিতু রাই টোপ স্কিমদগী লৌথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর জিতু রাই টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম (টোপ) স্কিমদগী লৌথোকখ্রে। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা জিতু রাইগী মায়কৈদগী মমাংগী কম্পিটিসন কয়াদা লৈখিবা ফজদবা পর্ফোমেন্স অদুনা মরম ওইরগা স্কিম অসিদগী লৌথোকখিবনি হায়রি।

শুটিং মশান্নদগী জিতু রাইদা নত্তনা য়সাস্বিনি দেসৱাল, অমনপ্রিট সিংহ অমসুং নিরজ কুমারসু স্কিম অসিদগী লৌথোকখি। ওগষ্ট থাদগী হৌগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শুটরশিংদা টোপ স্কিমনা লুপা লাখ ৫০ পীননবা প্রপোজল অমা থাঙ্গৎলকপা অদু অয়াবা পীখ্রে হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জিতু রাই চহী অসিগী অহৌবদা পর্ফোমেন্স ফজরম্লবসু মখা তারকপা কম্পিটিসন খরদা ফজবা ঙমখিদবদগী স্কিম অসিদগী লৌথোকপনি হায়রি। সাইনা ইন্দিয়াগী স্কিট শুটর মৈরাজ অহমদ খান অমসুং সিরাজ শেখকীদমক মতম খরগী ওইনা স্পোর্টস সাইকোলোজিষ্ট অমসুং ফিজিও-থেরাপিষ্ট অমা পীগদৌরি। মখোয়শিংদা নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা লুপা লাখ ৩.০৬/৩.০৬ ফী ওইনা পীগদৌরি। অমরোমদা থা অসিগী ২১ দগী ওগষ্ট ১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইটালিয়ন ওপন গ্রীন কপ শুটিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবী সিমা তোমরদা শেলগী মতেং পীগনি হায়না টোপ স্কিমগী কম্মিটিনা অয়াবা পীখি।

# শান্নবগী কোচশিংগী তোলোপ লুপা লাখ ২ য়ৌরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না লৈবাকসিগী স্পোর্টসকী কোচশিংগী তোলোপ হান্না লৈরম্বদগী চাদা ১০০ হেনগৎলগা লুপা লাখ অনী য়ৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লোক সভাদা ক্বেসন অৱারগী মতমদা লাকখিবা সপ্লিমেন্টরি অমগী পাউখুমদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী কোচশিংগী তোলোপ অদুগী লুপা লাখ ১ দগী হৌবনি। মসি মতমগা চুনদ্রে হায়দুনা চাদা ১০০ হাপকৎলগা লুপা লাখ ২ ওইহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগীদমক্তা মপান লমদগী নেল্লিবা কোচশিংগী তোলোপ কা হেন্না ৰাংবা মরম্না ইন্দিয়াগী ওইবা কোচশিংগী তোলোপ অদুসু হেনগৎপগী তঙাইফদবা অদু লাকপনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা মেদল ফংলকপা শান্নরোয়শিংগী শেলগী মতেং অদুসু গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌরগা ইন্টরমেদিয়েট অমসুং এপেক্স লেভেলদা লৈরিবা কোচশিংগী খুথাংদা পীগনি হায়রি।

মমাঙদা অফবা শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্তুনা মেদল লৌরকপা মতমদা এপেক্স লেভেলদা লৈরিবা কোচ খক্তমক শেলগী মতেং ফংগনি। অদুবু শান্নরোয়শিং অসিনা হৌরকপগী মতমদা মখোয়বু মশক খঙদোরকপা অমদি ঙল্লিঙৈগী মতমদা শেন্দ্রীরকপা কোচশিং অদুসু শকখঙবা ওইনা শেলগী মতেং অসি মখোয়বু ফংহনগদৌরিবনি হায়খি।

লোক সভাগী মীফম অদুদা কোংগ্রেসকী গৌরব গোগোইনা হন্দক জুনিয়র এথলেটিক্সতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা হিমা দাসপু ইংলিস নীংথিনা ঙাংবা ঙমখিদবা অদু স্পোর্টসকী বোদি অমনা করেম্নবগী মওংদা ফোঙদোকপগী ৰাহং রাথোরদা হংখিবদা মহাক্না লৌরিবা থৌদাং য়াম্না য়াম্বা মরম্না ইস্যু খুদিংমক্তা পাউখুম পীবা মতাং চাদে হায়না হাউসতা থমখি।



HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com